নিপানশুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকখ্রে

অহানবা মেচতা ত্রাওনা নিশাবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : কুমজা ২০০৯ দা ছটিশগরদা নেক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা থৱায় কৎখ্রবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা য়ুরেম্বম মখা লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন জি মনোরঞ্জনবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শিল্লগা দিসেম্বর ১১দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, টুরিজম পি কে সিংহনা চীফ গেষ্ট, এ দি জি পি মলানা গোদ, আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তর সী আর পি এফ বিক্রম সেগাল, কর্নেল বলবির সিংহ টুলি, দি আই জি, জি সী ইম্ফাল মোহিন্দর কুমার, এন সী সী গ্রুপ ইম্ফালগী কম্মান্দর বৃগেদিয়র বিবেক শর্ম্মা, ১৪৩শুবা বটালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট লালচান য়াদব, ১০৯শুবা বটালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমার, ৬৯শুবা বটালিয়নগী কম্মান্দেন্ট ধরম প্রকাস অমসুং ৮৬শুবা বটালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট কালয়ান সিংহনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু হৌদোক্লে হায়না থৌরমদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, টুরিজম পি কে সিংহনা লাউথোকখি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়ারগা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবদগী টিমিদ রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) অমসুং নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন (নিশা) শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনিট ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনরবসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। মেচকী ২০শুবা মিনিটতা ত্রাওগী জর্সি নম্বর ৩ এ হেরোজিৎনা গোল অমা চনখি। এ হেরোজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থানা লৈখি। নিশাগী মায়কৈদগীসু ত্রাওগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু ত্রাওগী শান্নরোয়শিংনা নিশাগী এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা নিশাগী মায়কৈদগী ত্রাওগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু ১-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াঙনা শান্নরকখি। নিশাগী মায়কৈদগী ত্রাওনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না শান্নরকখি। ত্রাওগী মায়কৈদগীসু অহেনবা গোল চন্দবা য়াদে খন্না য়াঙনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফকী তঙ্খায় চল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ ফাওবদা নিশাগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চথরবসু নিশাগী মায়কৈদগী দিফেন্দ তৌদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা নিশাগী শান্নরোয়শিংনা ত্রাওগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদু ত্রাওনা নিশাবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অসিগী ওইনা ত্রাওগী জর্সি নম্বর ১৬ এম মোমোচা অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ এল অমিট রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

এস এ এফ এফ অন্দর-১৫ ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৫ ৱিমেন্স টিমদা মণিপুরদগী ১০ য়াওরে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সি) : বংলাদেশকী ধাকাদা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৭তগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এস এ এফ এফ অন্দর-১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয়শিং খনগৎপদা মণিপুরদগী ১০ য়াওরে।

এস এ এফ এফ অন্দর-১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিমগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপর ওইনা এস মোনিকা, এন খুসি চনু অমসুং মনিসানি। দিফেন্দর ওইনা এস মেকোলা, সরিতা সোরেং, পুস্পরানি, পবিত্রা মুরুগিসন, য়ূমলেম্বম পাকপী, সুসমিটা টানতি অমসুং প্রটিক্সা লাক্রানি। মিদফিল্ডর ওইনা টি ঐচ ক্রিটিনা, বনয়া কবিরাজ, পুনম কিরন, অবিকা সিং, অনেবাই অমসুং টি ঐচ মার্টিনানি। ষ্ট্রাইকর ওইনা এন প্রিয়াঙ্কা, ঐচ সিলকি, লিন্দা কোম, নিকিতা বিসী, সন্থিয়া ভেনগদাজলম অমসুং সুনিতা মুন্দানি।

রিজার্ভ প্লেয়রশিং ওইনা খল্লবশিংনা অঞ্জলি বরকা, কবিতা, নিশা কুমারি, মোমিটাজ সোরোনিয়া, প্রোমিলা, বরসা অমসুং অঞ্জুনি।

ইন্দিয়ন টিম অসিদা য়াওননবা খল্লক্লবা শান্নরোয়শিং অসিগী মনুংদা এস মোনিকা, এন খুসি চনু, এস মেকোলা, পুস্পরানি, য়ূমলেম্বম পাকপি, টি ঐচ ক্রিটিনা, টি ঐচ মার্টিনা, এন প্রিয়াঙ্কা, ঐচ সিলকি অমসুং লিন্দা কোম মণিপুরদগীনি।

এস এ এফ এফ অন্দর-১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা অন্দর-১৫ ৱিমেন্স টিম অসিগী পুন্না শান্নরোয় ২৩ খনগৎপদা মণিপুরদগী ১০ য়াওরকখিবনি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা টিম অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শরুক য়ারি।

টিম অসিদা ওদিষাদগী শান্নরোয় মরি, চান্দিগড়দগী অহুম, ঝরখণ্ডদগী অনী, টামিল নাদুদগী অনী, হরিয়ানা অমসুং দেল্লিদগী শান্নরোয় অমমমসু খনগৎপা অসিদা য়াওরি।

পনবা য়াবদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না এস এ এফ এফ অন্দর-১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিম শেম্নবগীদমক পাঙথোক্কদবা ত্রাইএল সেলেক্সন্দা শরুকয়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় কয়া য়াওহন্ননবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্দা খঙহল্লকখিবনি।

ইন্দিয়ন টিম শেম্নবগীদমক এ আই এফ এফকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অদুদা পীখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদু য়েংলগা শান্নরোয়শিং অসি খনগৎখিবনি। শান্নরোয়শিং অসি খল্লে হায়বগী ৱারোলসু এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী ষ্টেট এসোসিএসনশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন্না শিন্দুনা মহারাষ্ট্রগী নবি মুম্বাইদা লাক্লিবা দিসেম্বর ২৮ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ফেদরেসন কপ ২০১৭তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক ত্রাইএল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৩দা সেক্তা ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লসকী কেজি ৪৩দগী ৭১ ফাওবা অমসুং সেনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্সকীনা কেজি ৪৫দগীনা ৮০ ফাওবদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারবা য়াগনি। ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্কদবা মফম অসিদা অয়ুক পুং ৭ নংনবা লাক্লগা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : এস দব্লিয়ু ঈ সী এ থিয়াম কোঞ্জিন্না শিল্লগা দিসেম্বর ১০দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অহুমশুবা লেট কোম্থৌজম রঞ্জিৎ এন্দ অদর মেম্বরস ওফ এস দব্লিয়ু ঈ সী এ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ নোং-চীংনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগা তান্নদুনা অনৌবা মতম অমুক নৌনা লেপচরগনি হায়না এস দব্লিয়ু ঈ সী এগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ সনায়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : অম্ফাগী মীৎয়েং মখাদা ককচীংদা দিসেম্বর ১১দগী হৌরগা চহী ৬তগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু নোংকন্না তাবনা মরম ওইরগা গ্রাউন্দগী ফীভম শোকচিল্লকপনা য়ৈথোক্লে। অনৌবা মতম লেপ্পবা মতুংদা অমুক মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্কনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদভেঞ্চর ব্রাঞ্চশিং শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী থবক থৌরমশিং অমসুং ইকো টুরিজম য়োকখৎনবগী পান্দমদা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট এদভেঞ্চর ব্রাঞ্চশিং শেমখ্রে।

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস জিতেন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম এম টি এনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদভেঞ্চর ব্রাঞ্চশিং শেমখ্রে। দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি কামজোং, চুড়াচান্দপুর, থৌবাল, সেনাপতি, চান্দেল অমসুং বিষ্ণুপুরনি।

নৌনা শেমখ্রবা মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসন কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা পাওকাম হাওকিপ, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা লুনথাংলেন তৌথাং, ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ওইনা থাংসৈ হাওকিপ, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থিংরৈ অমসুং মেম্বরশিং ওইনা খাইলুন হাওকিপ, খাইগৌ, সাইলেট হাওকিপ, রিঙাই, ফানগে অমসুং সৈকাম তৌথাংনি।

মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসন চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা কামথং হাওকিপ, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা লুনখোলালনি। অদুগা মেম্বরশিংনা নেজলা, নেলেনসৈ, লেনপু, মাংখোহাও অমসুং লমতিনকপ সিটহৌনি। মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা এম তোম্বীমচা, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা বিশ্বরজিৎ ওইনাম, জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা এ কে খোগেন, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এ সুরজিৎ, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা এস ঐচ প্রেমানন্দ অমসুং এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা এল দেবান অমসুং এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা এল অথৌবা অমসুং এস ঐচ প্রেমানন্দনি। অদুগা মেম্বরশিং ওইনা কে দিজেন, কে ওকেন্দ্রো, টি ঐচ কনাই, এম বিদ্যাশ্বর, বিরমল, ওইনাম বিশ্বরজিৎ, এম ইবোমচা অমসুং টি বিনটনি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসনগী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুনা প্রসিদেন্ট ওইনা কসিং পিটর, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা কুইকং, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা অৱান্ধ দাংমৈ, জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা পুংদি, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা বিসী জোসেফ অমসুং ত্রেজরর ওইনা হিরানি। অদুগা মেম্বরশিং ওইনা ফিলিপ, করাইবা, জোন, গেবরিল অমসুং কুবানি।

মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসন চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুনা প্রসিদেন্ট ওইনা এম এল হাওকিপ, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা মোসিল মরিং, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা জামথোটিসাদ, জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা লেটখোপাও হাওকিপ অমসুং টি এস ঙমসুং, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা এল মোফম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা লেটখোলেন হাওকিপ, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এল মিখমনি। অদুগা মেম্বর ওইনা খুপতিং অমসুং মাং হাওকিপনি। মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ স্পোর্ট ক্লাইম্মিং এসোসিএসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুনা প্রসিদেন্ট ওইনা লাইশ্রম রঞ্জিৎ, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা আর কে রবিনকান্তা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা নোংমাইথেম অরঞ্জয়, ত্রেজরর ওইনা নোংমাইথেম নোবিননি। অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা লাইশ্রম থোইথোই অমসুং লাইশ্রম প্রেমকুমারনি হায়না এম এম টি এগী সেক্রেটরি এস জিতেন্না থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচএনএস) : অন্ধ্র প্রদেশকী কুরনুলদা মথং চহীগী জান্যুৱারী ১৬তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা সব জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসিএলশিং খনখ্রে।

ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএসন (এ এম এস টি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি পি দুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ২০শুবা সব জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা মণিপুর টিমগী সব জুনিয়র নুপা প্লেয়রশিং অদুদি এল অমরজিৎ, এল বিক্রমজিৎ, সী ঐচ আনন্দ, ঈ লোখোন, এল লনচেনবা, এস সনাথোই, কে এস ঐচ ইনাওচা অমসুং এম সনাথোইনি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াননবা খল্লবা মণিপুরগী সব জুনিয়র নুপী প্লেয়রশিং অদুনা কে ঐচ গাইত্রি, এম জেনি, এম লিন্থোইঙানবী, এস দাইনা, কে ঐচ তনু, টি মোনালিসা, কে ঐচ দাইনা অমসুং এল প্রিয়ালক্সমিনি। মণিপুর টিম অসিগী ওফিসিএলশিং অদুনা কোচ ওইনা টি ঐচ ধমেন্দ্রা, ঈ শ্যামকুমার অমসুং পি মারজিৎনি। অদুগা মেনেজরশিং অদুনা ৱাই ইবোচৌবা অমসুং এস য়াইফবনি।

কুমজা ২০১৮গী জান্যুৱারী ১৬তগী ২০ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী কুরনুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা সব জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা শরুক য়ানবগীদবা মণিপুর টিমগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসিএলশিং অসিনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৩গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা হৈঙাং মখা লৈকায়দা লৈবা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা লাক্লগা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএসন (এ এম এস টি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

লা লীগা : সুআরেজ, মেসিনা চনখিবা গোলশিংনা বার্সিলোনানা বিলাররিএলবু মায়থীবা পীখ্রে

মেদ্রিদ, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সি) : লা লীগাগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা লুইস সুআরেজ অমসুং লিওনেল মেসিনা চনখিবা গোলশিংনা বার্সেলোনানা বিলাররিয়েলবু মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাকখিবদগী বার্সিলোনানা অমুক হন্না লা লীগাগী মকোক্তা লৈখ্রে। বার্সিলোনা অমসুং বিলাররিয়েলনা শান্নখিবা মেচ অদু হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা টিম অনীমক্না হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৬০শুবা অদুৱাইদা বিলাররিয়েলগী দেনিএল রাবা রেদ কার্দ চাদুনা মেচতগী মপান থোকখি। দেনিএল রাবা মেচতগী মপান থোকহনখ্রবা মতুংদা মীওই ১০ খক্তং ঙাইহৌরবা বিলাররিয়েলবু বার্সিলোনানা তপ্পা তপ্পা লাকশিল্লগা শান্নরকখি। মেচ লোইগদবা মিনিট ২০ লোমতা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা বার্সিলোনানা অকনবা এটেক কয়া মীওই ১০ খক্তা ঙাইহৌরবা বিলাররিয়েলগী মায়কৈদা চথখি। বিলাররিয়েলগী মায়কৈদগীসু গোল চলহন্দনবা খাংবা য়াবা মখৈ খাঙখি।

মেচকী ৭২শুবা মিনিটতা লুইস সুআরেজনা বার্সিলোনাগী অহানবা গোল চনখি। গোল অদু হন্দোক্ননবা বিলাররিয়েলগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু শান্নরোয় মশীং বার্সিলোনানা হেনখিবনা বিলাররিয়েলগী মায়কৈদগী নিংথিনা এটেক চথবা ঙমখিদে।

বিলাররিয়েলগী অশোনবা শরুকশিং অদু মশক মুন্না খঙদোক্লদুনা বার্সিলোনানা অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা এটেক চথরকখি। মেচকী ৮২শুবা মিনিটতা অমুক লিওনেল মেসিনা বার্সিলোনাগী অনীশুবা গোল চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবগীদমক বিলাররিয়েলগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবা কন্না হোৎনখি। অদুবু বিলাররিয়েলনা মেচ অদু লোইবা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু বার্সিলোনানা বিলাররিয়েলবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু মায় পাকপগী পোইন্ট অহুম ফংবা ঙমখিবনা বার্সিলোনানা লা লীগাগী মকোক্তা অমুক হন্না লৈবা ঙমখিবনি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মতুং বার্সিলোনাগী অহানবা গোল চনখিবা লুইস সুআরেজনা হায়খি, অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদদি ঐহাক্কী টিম বার্সিলোনানা মেচ অদু মায় পাকপগী চাঙ্গ কয়ামরুম ফংবা ঙমখি। মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্ননবা ঐখোয়না থোরকপা মতমদা পোইন্ট অহুম ফংননবা তোঙানবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা থোক্লকখি। ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা মায় পাকপসু ঙমখি।

বার্সিলোনানা লা লীগাগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী দ্রো চৎখিবনা মকোক্তা লৈবা ঙম্লকখিদবনি। অদুবু ঙরাংগী মেচ অদুদা মায় পাকখিবদগী অমুক হন্না মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

বার্সিলোনাগী কোচ অর্নেসতো বালবার্দেনা হায়খি, ঐখোয়না মায় পাকপা য়াবা পাক্লে। মখা তানা শান্নগদবা মেচশিংসু মায় পাক্ননবা অশাংবা লম্বী অমা চৎকদবা ৱাংলি। মসিগীদমক ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নিংথিনা শেম শাগনি অমদি মায় পাক্লগা মতম চুপ্পদা লৈনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এসিয়ন এয়রগন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শুটর সৌরব চৌধুরিনা সিঙ্গলস অমসুং টিম ইভেন্টতা গোল্ড ২ লৌখ্রে

ৱাকো সিটি, দিসেম্বর ১১ (এজেন্সি): জপানগী ৱাকো সিটিদা পাঙথোকপা ১০শুবা এসিয়ন এয়রগন চেম্পিয়নশিপকী লোইশিনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শুটর সৌরব চৌধুরিনা ইন্দিভিজুএল অমসুং টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অনী লৌখ্রে।

এসিয়ন এয়রগন চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মেন্সকী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টল য়ুথ ইভেন্টতা সৌরবনা ইন্দিভিজুএল অমসুং টিমদা গোল্ড অনী অদু লৌখিবনি। ৱিমেন্সকী মিটর ১০গী য়ুথ কেটাগোরিদনা ইন্দিয়াগী নুপী শুটর মানু ভাকরনা শিলভর মেদল লৌখি।

সৌরব চৌধুরিনা গোল্ড অনী অমসুং মানু ভাকরনা শিলভর অমা লৌরদুনা ব্যুনোস আয়রসতা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমসতা শরুকয়ানবগী মফম কনবা ঙমখ্রে হায়রি। লোইশিনবা নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়ানা মেদল মরি অমসু লৌখি। অতোপ্পা মেদল অদুদি জুনিয়র ৱিমেন্স মিটর ১০গী এয়র পিষ্টল টিম ইভেন্টতনি। মেম্বর ৩৭না শাবা ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্ট অসিনা এসিয়ন এয়রগন চেম্পিয়ননিশপ অসিদা গোল্ড ৬, শিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ লৌবা ঙমখি।

[illegible]
LG Motors Vehicle Marup
AREA COVER:
MANIPUR STATE

L.G. Motors না মখল খুদিংমক্কী গাড়ী (2 wheeler, 3 wheeler, 4 wheeler), Machinary Items অমসুং Electronic Items গী মরুপ Term অনীরক (চহী ১০) মায় পাক্না শান্নখ্রবা মতুংদা অহুম্লক (৩) শুবা Term লাক্লিবা চহী January 2018 দগী হৌজরগনি।

মরুপকী শন্নপ্পা কানবশিং :-

১) 6months (6 term) য়াওরবা মনুংদা Winner ওইহৌদ্রবশিংদা Loan (লোন) ওইনা লৌবা য়াবগী খুদোংচাবা পীগনি।
২) মরুপ অসি Manipur গী মফম খুদিংমক্কী মীওইশিংনা য়াওবা য়াগনি।
৩) মরুপকী Agent ওইবশিংদা লেম্না গাড়ী মচা অমা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
CONTACT No.:- 8731978490
OFFICE HOUR:
9.30AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.
HL-B/4172/17/10-14/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com